

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*শ্রী লঙ্কাগা শান্নগদবা টুরগীদমক ইন্দিয়াগী নুপাগী চহী ১৯ মখাগী ক্রিকেট টিমগী ফিল্ডিং কোচ ওইখ্রবা বিজয় যাদব*

*ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলদা শান্নরম্বদগী ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসতা চহী ৪ গী সাইন তৌনখ্রবা জর্মন মচা ইমরে কেন*

# ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া

## ফ্রান্সনা পেরুবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌখ্রে, দেনমার্ক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া ১–১ দা দ্রো চংখ্রে



*ফ্রান্সকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী পাঞ্জল চনখিবা কাইলিয়ান বাপ্পে (ময়ায়) বু টিমমেটশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকপা*

*মোস্কো, জুন ২১ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি ১১ দা পাঙথোক্লিবা ফিফা ৱার্ল্ড ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ 'সি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সনা পেরুবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌখ্রে। গ্রুপ অসিমক্কী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা দেনমার্ক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চংখ্রে।

ফ্রান্স অমসুং পেরুনা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখি।

অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ রোম হৌজিনখ্রবা ফাওবদা মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৪শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কাইলিয়ান বাপ্পেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা পেরুবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবগী লেমহৌবা মিনট ১১ রোমগী মতম অদুদা পেরুগী শান্নরোইশিংনা ফ্রান্সকী মায়োক্তা বোল পুশিন্দুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবা পূম্নমক ফ্রান্সকী দিফেন্দরশিংনা মখোয়গী গোল এরিয়া অদু ঙাক্তুনা লৈখিবদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অমরোমদা ফ্রান্সকী শান্নরোইশিংনা অহানবা হাল্ফ অদুগী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা এটেক তৌদুনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনখিবশিং অদু অরেম্বা তাদুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা ফ্রান্সনা পেরুবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

নীংশিংবা য়াবদি ফ্রান্সনা মখোয়গী অহানবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফ্রান্স অমসুং পেরুনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। মায়কৈ অনীদগী বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌনখিবশিং অদু মেটচ অদুদা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী ফ্রান্সনা পেরুবু মখা তানা পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ লোইশিল্লক্লবদা ফাওবদা পাঞ্জল অমা শোথরিবা পেরুগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ফ্রান্সকী মায়কৈদগীসু অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ফ্রান্সনা পেরুবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মথংগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা দেনমার্ক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়া পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চংখিবদগী দেনমার্কনা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন চঙবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।

দেনমার্ক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা দেনমার্ককী শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি।

শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা দেনমার্ককী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ১–০ দা য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাদুনা চংখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা দেনমার্ককী মায়কৈদা বোল পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী চথ্বরকখিবা এটেকশিং অদু দেনমার্ককী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়ানা মতম কুইনা শোথখিবা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা দেনমার্ককী শান্নরোই য়ুসুফ পোলসেননা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অমদা ফাওল তৌরুবদগী ওষ্ট্রেলিয়াদা পেনাল্টি কিক অমা পীখি।

খুদোংচাবা অদু ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই মাইল জেদিনাকনা কাওশিনবদা পাঞ্জল ওইখিবদগী টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌনবদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদবদগী ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

দেনমার্ক অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা নাকল অনীদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্কদৌরবা ফাওবদা অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

মেটচ অদুগী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মতম খরা অদুদসু মায়কৈ অনীদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চংখিবদগী দেনমার্ক গ্রুপ অসিদা পুন্না পোইন্ট ৪ ফংলগা মকোক ওইদুনা রাউন্দ ওফ সিক্সটিন য়ৌবগী য়াবগী লম্বেল নকশিনখ্রে।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্পেননা ইরানবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।

স্পেন অমসুং ইরাননা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী মেটচ অদু হেক হৌবদগী স্পেনগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইরানগী মায়োক্তা এটেক তৌদুনা শান্নবা ঙমখি।

স্পেনগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইরানগী মায়োক্তা এটেক তৌবা ঙমখ্রবসু ইরানগী দিফেন্দরশিং অদুনা নীংথিনা মায়োক্লবা ঙমখিবদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লাকখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৫৪শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা ইরানগী শান্নরোই অমনা বোল অদু ঙাকথোকপদা স্পেনগী কেপ্টেন দিএগো কোষ্টাগী মখোঙদা পান্দুনা পাঞ্জল ওইখিবদগী স্পেননা ইরানবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ইরানগী মায়কৈদা বোল পুশিন দুনা এটেক তৌবদি লেপখিদে। স্পেনগী শান্নরোইশিং অদুনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চনশনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা ইরাননা চনখিবা পাঞ্জল অমা টিম অদুগী শান্নরোই ইজাটোলাহি ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভিএআর) গী মতেংনা চ্যেক তৌবদা ওফ সাইদ তারম্বদগী ইরানগী পাঞ্জল অদু মাঙজখি।

শান্নবগী ৮১শুবা মিনটতা ইরানগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখিবদগী মেটচ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা নাকল অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু স্পেননা ইরানবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি।



*ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই মাইল জেদিনাকনা পেনাল্টিগী মতেংনা ইক্বেলাইজর চনখিবদা চোংখৎতুনা হরাওবা উৎপা*



*স্পেনগী শান্নরোই দিএগো কোষ্টানা ইরানগী মায়োক্তা পাঞ্জল চনখিবা মতাং*

| MATCH ON 22-06-2018 | |
|---|---|
| **Group D** | |
| Iceland vs Nigeria | 08:30pm |
| **Group E** | |
| Brazil vs Costa Rica | 05:30pm |
| Switzerland vs Serbia | 11:30pm |

## হিনা সিধুনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলদা গোল্ড মেডল ফংখ্রে, নুপাগী মিটর ৫০ গী ফ্রি পিষ্টোলদা জিতু অহুমশুবা তাখ্রে



*টুগলকাবাদ, জুন ২১ঃ*

লাক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস অমসুং ৱার্ল্ড সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী শেম শাবা ওইনা ন্যু দিল্লিগী টুগলকাবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জদা পাঙথোক্লিবা ১৮শুবা কুমার সুরেন্দ্রা সিংহ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা হিনা সিধুনা গোল্ড মেডল ফংখ্রে। অদুগা নুপাগী মিটর ৫০ গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্টতা জিতু রাই অহুমশুবা পোজিসনদা তাখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা হিনা সিধুনা পুন্না পোইন্ট ২৪০.৯ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। সিলভর মেডল অদুনা হর্ভিন স্রাওনা ২৪০.৩ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রাহি সর্নোবটনা পোইন্ট ২১৭.৭ দা লৌখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০ গী ফ্রি পিষ্টোল ইভেন্টতা মঞ্জিতনা পোইন্ট ৫৫৮ ফংলগা লৌখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদু অনমোল জেননা পোইন্ট ৫৫৭ দা ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা জিতু রাইনা পোইন্ট ৫৫৬ ফংলগা লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা অখিল সিওরাননা পোইন্ট ৬২০ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদু অরুন শর্ম্মানা পোইন্ট ৬১৯.৮ দা ফংখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা চেন সিংহনা পোইন্ট ৬১৯.৪ দা লৌখি।

১৮শুবা কুমার সুরেন্দ্রা সিংহ সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা সোনিকানা পুন্না পোইন্ট ৬১৮.২ ফংলগা মকোক ওইখি। অনীশুবা পোজিসন অদুনা চাহট দিপ কুমারনা পোইন্ট ৬১৭.১ দা লৌখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা শ্রেয়া সকসেনানা পোইন্ট ৬১৬.৮ দা ফংবা ঙমখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা নিরজ কুমারনা পোইন্ট ৬১৮.১ দা গোল্ড মেডল লৌখি। প্রুথভিরাজ আইয়াসিনা পোইন্ট ৬১৫.৭ দা সিলভর মেডল অদু লৌরগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা রোন জোর্জ ভালিয়াভিটিলনা পোইন্ট ৬১৫.৪ দা লৌখি।

জুনিয়র ৱুমেনগী মিটর ৫০ গী রাইফল প্রোনদা ভক্তি ভাস্কর খমকারনা পোইন্ট ৬০৯.৪ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা আয়ুস পোদ্দরনা পোইন্ট ৬০৬.৭ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সিরিন গোদারানা পোইন্ট ৬০৫.৫ দা লৌখি।

জুনিয়র মেনগী মিটর ৫০ গী প্রি পিষ্টোলদা এনমোলনা জেননা পোইন্ট ৫৫৭ দা গোল্ড মেডল লৌখি। সোরিয়া সারিননা পোইন্ট ৫৪৩ দা সিলভর মেডল অদু ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা সাগর সিংহ বেদিনা পোইন্ট ৫৪০ দা ফংখি।

## ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই স্রিকান্থ অমসুং প্রনোই ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা হাইথখ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ২১ঃ*

বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বিদব্লিয়ুএফ) না খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা নুপাগী সিঙ্গলস বেদমিন্টন শান্নরোইশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ অমসুং ঐচ এস প্রনোই হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী হাইথখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা বেদমিন্টন শান্নরোই কিদম্বি স্রিকান্থ গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা সিলভর মেডল ফংখিবনি। মদুগী মতুং চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়ারম্লবা মতুং মখা তানা টুর্নামেন্ট কয়া য়াওখিদবদগী হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ফোরদা লৈরম্বা অদু পোজিসন ৩ হাইথরগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইনা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী মমাঙগী টাইটল অদু দিফেন্দ তৌননবগীদমক অকনবা ত্রেনিং চথ্দুনা লৈরিবা মরম্না টুর্নামেন্ট খরা য়াওবা ঙমখিদবদগী হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৭ দা লৈরম্বা অদু পোজিসন ৫ হন্থরগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি।

বিদব্লিয়ুএফকী খ্বাইদগী নৌনা থাদোরকপা মকোক মথং তাবগী পরিংদা দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা নুপাগী সিঙ্গলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙল্লি। অদুগা অনীশুবা পোজিসন অদুনা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোনা ওইরি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা শান্নরোই পি ভি সিন্ধু হান্না লৈরম্বা ৱার্ল্ড নম্বর থ্রিদগী মফম হোংদনা অদুমক লৈরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাইনা নেহৱালসু হান্না লৈরম্বা ৱার্ল্ড নম্বর ১০ গী পোজিসন অদুদা লেঙদনা লৈবা ঙল্লি। অদুগা নম্বর ৱান পোজিসন অদুনা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ওইবা ঙল্লি।

কুমজা ২০১৪ কম্মনৱেল্ঠ গেমস গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী সিঙ্গলস শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপ মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবসু মখা তাবা টুর্নামেন্ট মপুং ফানা শরুক য়াবা ঙমখিবদগী ৫১শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।

হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ১৩ ওইরম্বা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই অজয় জয়ারাম মসল শোকপনা মরম ওইরগা মতম কুইনা টুর্নামেন্ট শরুক য়াখিদবদগী টোপ ১০০ কী মনুং চনবা ঙমখিদে।

অদুবু হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ুএস ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদবদগী হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী থাক ৩৯ হাইগৎলগা ৯৫শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখি।

## য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টতা নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে



*বিরমিংঘাম, জুন ২১ঃ*

ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা শান্নরিবা দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা বিরমিংঘাম ক্লাসিক টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী এলিজ কোর্নেটপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা রোমানিয়াগী মিহেলা বুজার্নেস্কুগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভা অমসুং জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জেস লম্বা তৌনরগনি।

৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জেক রিপব্লিক্কী পেত্রা কিটোভানা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভ্রিলোভাবু য়াম্না কোম্না ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা রোমানিয়াগী মিহেলা বুজার্নেস্কুনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ৭–৬(৭–৮), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ পেয়র হঙ্গেরিগী টিমিয়া বাবোস অমসুং ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিস মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরিবা এটিপি টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ক্বিন্স কপ টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৱাইল্ড কার্দ এন্ট্রি ওইনা শরুক য়ারকখিবা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই বৃটেনগী কাইল এদমুন্দবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লুরবা মতুং ৭–৬(৭–৩), ৬–৭(৫–৭), ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা বাই ফংদুনা চঙলকখিবা স্পেনগী ফেলিসিয়ানো লোপেজগা লম্বা তৌনরগনি।